# খ্বাইদগী এম এল এ মশিং য়াম্না মায় পাকখিবা বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদ্রে



মুম্বাই, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্র এসেমব্লী মীখলদা খ্বাইদগী ভোট মশিং য়াম্না ফংখিবা বি জে পিনা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লরোই হায়না ষ্টেট অদুগী গভর্ণর উনরবা মতুং পার্টি প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত পতেলনা ঙসি নুংথিল ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি মহারাষ্ট্রগী বি জে পি লুচিংবশিংনা ঙসি ষ্টেট অদুগী গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারিগা উনদুনা ৱারী শারবা মতুং মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবনি। উনবা অদুদা বি জে পিগী মায়কৈদগী ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত পতেল, এক্টিং চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসসু য়াওখি।

মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৰাফম অদুদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লরোই হায়বতা নত্তনা সিব সেনা পার্টিদা কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগা পুনশিল্লগা লৈঙাক শেম্বা পাল্লবদি অফবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকখি।

ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত পতেলনা ফোঙদোকখিবদা এসেমব্লী মীখলগী মাংওইননা বি জে পি অমসুং সিব সেনানা গ্রান্দ এলাইয়েন্স অমগী মখাদা পুন্না খোঙ থাংজিনখিবনি। হৌজিক সিব সেনানা বি জে পিগা চৎমিন্নবা পল্লক্ত্রবদি বি জে পিনা মহারাষ্ট্র মীয়াম্না পীরকপা থাজবা অদু মাংহল্লে হায়রদুনা গভর্ণরদা বি জে পিনা মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোক্লমখি।

নাকল অমরোমদা নেস্লেলিষ্টি কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনল স্পোক্স পার্সন নৱাক মালিক্না ফোঙদোকখিবদা সিব সেনাগী মায়কৈদগী লৈঙাক শেমীন্ননবা ফোর্মেল ওইবা প্রোপোজেল অমত্তা পীরকপা লৈত্রি হায়রি। অদুবু পার্টিগী প্রসিদেন্টনা সিব সেনাগী পুনশিন্নবা নত্রগা পুনশিন্নদবা হায়বগী অরোইবা ৱারেপ অদু থা অসিগী ১২দা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টি লেজিসলেচর মীফমদা খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, সিট ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র এমেমব্লী মীখদা বি জে পিনা সিট ১০৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না পার্টি ওইখি। সিব সেনানা সিট ৫২ ফংলগা অনীশুবদা, এন সি পিনা ৫৪, কোংগ্রেসনা ৪৪ ফংখি অদুগা অতোপ্পা পার্টিশিংনা ২৩ ফংখিবনি।

লৈঙাক শেম্বা মতমদা অপুনবা সিট মশিংদগী তঙ্খায়দগী অমগা হেল্লগা পুন্না সিট মশিং ১৪৫ লৈবা মতমদা লৈঙাক শেম্বা য়াগদৌরিবনি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা বি জে পিগা সিব সেনা পুনশিন্নরবদি লৈঙাক শেম্বা ইকোম কোম্না য়ারম্বনি। অদুবু সিব সেননা পাৱর ৫০-৫০ য়েন্নবা অমসুং চীফ মিনিষ্টরসু মখোয়না ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা অদুনা চুংশিন্নবা তোকখিবদগী বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লক্তবনি।

সিব সেনাগী এম এল এ পুম্নমক মুম্বাইদগী পুং ২ রোম চৎলগা লৈবা মদধা রিজোর্টতা কেম্প তৌদুনা লৈরি। অমরোমদা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ পুম্নমক রাজস্তান ষ্টেটকী জয়পুরদা কেম্প তৌদুনা লৈরি। কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী লুচিংবা সোনিয়া গান্ধিনা এন সি পিগী লুচিংবা সরদ পৱারগা উনবগী ৰাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সাইক্লোন বুলবুলনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীওই ১০ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই লাখ ২ হেনবদা চৈথেং পীখ্রে



কোলকতা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): সাইক্লোন বুলবুলনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সমুদ্র খোঙবালগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হুমজিল্লকখিবগা লোয়ননা মীওই ১০গী পুন্সি মাংহনখ্রে। লোয়ননা ইমুং লাখ ২.৭৩ হেনবদা চৈথেং পীখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবা নোং কন্না চুহনখিবা অমদি অকনবা নুংশিৎ শীৎতুনা উ পাম্বী কয়া মরু ফুকখি অমসুং কেবল লাইন কয়া থদৎখি। থৌদোক অসি নোর্থ অমসুং সাউথ ২৪ পরগনাস দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইষ্ট মিটনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা চৈথেং অসি পীদুনা নোংমগী পুন্সি মরেলদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর ওইরিবা জবেদ খাননা ফোঙদোকখিবদা য়ুম ২৭৪৩ অকায় অতোয় থোকখি। লোয়ননা অতোপ্পা য়ুম ২৬০০০না কা হেন্না শোক্ত্রগসু হান্নগী ফিভমদা হোংহনখি।

বে ওফ বেঙ্গলগী য়াম্না মরু ওইবা ঙা ফাফম টাউন বখালি অমসুং নমখানানা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নংলি। মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা ইমুং লাখ ২.৭৩ অশোক অপন নংখি। লোয়ননা ষ্টেট অদুদা শেমখিবা রিফিল কম্পে ৯দা মীওই লাখ ১.৭৮ চংজফম পীরি।

ওফিসল ওইবা পাউ অসিনা মখা তারদুনা সাইক্লোন বুলবুলনা নোর্থ পর্গনাস দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা মীওই ৫ শিহনখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুগী বাসিরহট এরিয়াদা লৈবা পুরবামাকলা খুঙ্গংদা উনা নন্দুনা নুপী অমা শিখি। কোখনা খুঙ্গংদা নুপা অমসু উ পাম্বী তুরকপদগী শিখিবনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী অতোপ্পা নুপা অমনা লেম্প পোষ্ট পুরকপদা মৈনা চিংদুনা শিখি। অতোপ্পা মীওই অনী অমনা য়ুমগী ৱাল নিংখাইরকপদগী শিখিবনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসল রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

ইষ্ট মিটনাপুর দিষ্ট্রিক্ট নুপা অমা উনা নন্দুনা শিখি। লোয়ননা সাউথ ২৪ পর্গনাসতা মীওই অনী শিখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুমক্তা লৈবা ফাসরগঞ্জ ফিসিং হার্বরদা ঙামী অমসু শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। ওফিসল ওইবা পাউ অসিনা মখা তারদুনা মফম অদুদা ঙামী ৮ অমসুং অতোপ্পা লেভর ৪ অমসু থিবা খঙদ্রি হায়রি।

মিনিষ্টর জবেদ খাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সাইক্লোন অদুনা শোকদুনা লৈবা য়াখিদ্রবা য়ুমশিং অদুগীদমক টর্পোলিন সিট ৪৬,০০০ য়েন্থোকখি হায়রি। কা হেন্না শোকপা নংখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা নুংশিৎকী খোঙজেল অদু পুংদা কিলোমিটর ১৩৫ য়াংনা শীৎখি।

কোলকতা সিটিদা ঙরাংদগী লেপ্পা নোং কন্না চুখিবদগী অয়াম্বা মীওই য়ুমদগী মপান থোক্লখিদে। লম্বী নাকল লৈবা উশিং তুদুনা চথোক চৎশিন তৌবগী চাং অদুসু কা হেন্না হন্থখি। নেসনল দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্স অমদি কোলকতা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীওইশিং, পুলিস অমসুং ফায়র পার্সনেলশিংনা অকনবা মওংদা লম্বী থিংদুনা তাশিল্লকখিবা উ পাম্বীশিং অদু শেংদোকপগী থবক লৌখৎখি।

# লাক্লিবা চয়োলদা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা মরুওইবা জজমেন্ট মরি লাউথোক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): পুৱারিদা য়াম্না মরু ওইবা রাই অমা ওইনা অযোধ্য লম য়েৎনববা লোইশিনখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরিবা রঞ্জন গোগোয়না লুচিংবা বেঞ্চ অমনা লাক্কদৌরিবা চয়োল অসিদা মরু ওইবা জজমেন্ট মরি লাউথোক্কদৌরি।

পনবা য়াবদি, চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া ওইরিবা রঞ্জন গোগোয় নবেম্বর ১৭তা থবক্তগী পোত্থাগদৌরিবনি। মহাক্না ওফিসতা লৈরিঙৈদা মরু ওইবা জজমেন্ট মরি অসিসু লাউথোক্কবা কন্না শীল্লি। পোলিটিকেল ওইবা য়াম্না মরু ওইবা কেস অমা ওইরিবা রাফেল জেট ফাইটর লৈবগী মতাংদা কুমজা ২০১৮কী দিসেম্বর ১৪দা মোদি লৈঙাক করিগুম্বা মখল অমত্তা চেন্নবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু রিভ্যু জজমেন্ট য়াওরি।

অতোপ্পা অমদনা রাফেল জেট ফাইটর লৈবগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা 'চৌকিদার চোর হে' হায়বা ৱাহে শীজিন্নখিবগী ক্রিমিনেল কন্টেম্প প্রোসিদিং লৌখৎলকখিবা অদু হন্দোকপীয়ু হায়বা কেসনি।

অতোপ্পা জষ্টিস ৫ য়াওবা বেঞ্চ অদুনা কেরালাগী সাবরিমালা টেম্পলদা সুপ্রিম কোর্টনা চহী কাংলুপ খুদিংগী নুপী লাইনিংবীশিং চঙবা য়াহনখিবা ওদর অদুগী রিভ্যু জজমেন্ট পীবদা য়াওগদৌরি। কেস অমনা রাইট টু ইনফোর্মেসনগী মতাংদনি। লোয়ননা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরল্লবা য়াস্বন্ত সিংহ অমদি অরুন সোরি লোয়ননা এক্টিবিষ্ট লোয়র প্রসান ভুসননা থারকপা প্লি অদুসু য়াওরি।

# অযোধ্যদা লম পীরকপা অদু নবেম্বর ২৬তা লৌবগী ৱারেপ খঙলগনি ঃ জুফর ফরুকি



লখনৌ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): সুনি সেন্ত্রেল ৱাকফ বোর্দনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙরাং সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রাইদা য়েৎনদুনা লৈরিবা অযোধ্যগী মফম অদুদা রাম টেম্পল শাবগী অয়াবা লৈরবা মতুং মোস্ক অমা শাননবা একর ৫গী লম পীখিবা অদু লৌগনি নত্রগা লৌরোই হায়বগী ৱারেপ অদু নবেম্বর ২৬তা বোর্দ অসিগী মীফম্না লৌরবা য়াই হায়না চেয়ারমেন ওইরিবা জুফর ফরুকিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সি অমগা উনবদা জুফর ফরুকিনা ফোঙদোকখিবদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অদুদা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মফম অদুদা রাম টেম্পল শাবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মুস্লিমশিংগী ওইবা মোস্ক অমা শাননবা লম একর ৫ পীখিবা অদু সুনি ৱাকফ বোর্দনা লৌগনি নত্রগা লৌরোই হায়বা ৱারেপ অদু বোর্দ অসিগী মীফম অমা নবেম্বর ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা লেপ্পগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি বোর্দকী মীফম অদু থা অসিগী ১৩দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু ২৬তা য়ৈথোকখিবনি। ফরুকিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লম অদু লৌগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোল কয়া পুথোক্লক্লি। কাংলুপ খরনা লম অদু বাব্রি মোস্ক অমা শাবগী লৌফম থোক্তে। মসিনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংঙাইতবা অমদি লৈগনি। খরা অমনা ফোঙদোরকখিবদা লম অদু লৌশিল্লগা মোস্ক অমা শাবতা নত্তনা মহৈ তম্ফমশঙ অমসু শাবা য়াগনি হায়রি। মরক অসিদা বোর্দ অসিনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপকী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতে হায়খি।

# লৈঙাক্না তিলহৌ টন লাখ অমা লৈগদৌরি ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা তিলহৌ কিলোদা লুপা ১০০ খঙহৌদনা য়ৌথৎলকখিবা অদু লাকশিন্নবা লৈঙাক্না মপান লমদগী তিলহৌ টন লাখ অমা লৈরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফুদ এন্দ কঞ্জুম্যার এফেয়র্স রাম বিলাস পাস্বাননা মীরমদগী তিলহৌ টন লাখ অমা লৈরগনি হায়খিবা ৱাফম অদু ঙরাং কম্মিতি ওফ সেক্রেটেরিশিংগী মীফম অমা ফল্লবা মতুং ৱারেপ লৌখিবনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এম এম টি সিদা তিলহৌ লৈবগী থবক অদু শীন্নখি। অদুগা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী দোমেষ্টিক মার্কেটতা য়োননবগী থবক অদুনা কোওপরেটিব নাফেটতা শীন্নখি। মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা নবেম্বর ১৫দগী দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা দোমেষ্টিক মার্কেটতা মপান লমদগী লৈরকপা তিলহৌশিং অদু ফঙহনগনি হায়রি। মরু ওইনা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটতগী তিলহৌ লৈবগী থবক অসি পায়খৎকদৌরি। অদুগা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগীসু লৈশিনগদৌরি। ইজিব, ইরান, টর্কি অমসুং অফগানিস্তানগী প্রাইভেট ট্রেদরশিংদগীসু তিলহৌ লৌশিনগদৌরি। তিলহৌগী মমল অসি হন্দক্কী সিজনদা চাদা ৩০দগী ৪০ ফাওবা হেনগৎলকখি।


## ꯊꯕꯛ/PERMANENT JOB IN IMPHAL

ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা মীওই (নুপা/নুপী) পূন্না কেন্দিদেট ৮৫গী ওইগদবা Permanent Official শিংগীদমক থবক কৌজরি।

| | | |
|---|---|---|
| Qualification | : | X, XII and Graduate |
| Age | : | Below 30 years |
| Income | : | 10,000/- to 35,000/- |
| Visiting Hr. | : | 12 noon to 3 pm. |
| Facilities | : | Fooding + Loding Available. |

দিপোজিৎ লৌরোই, লিমিটেদ পোষ্টনি। অথুবা মতমদা ইশাগী বাইও-দটাগা লোয়ননা লাকপীয়ু। অহানবা লাকপা মীওইদনা হেন্না খুদোংচাবা লৈগনি। অকৃপ্পা মরোলগীদমক তানবীয়ু।

HL-P/4530/11,13,17,19 Contact : 8787501815 / 8414834122



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অহিংদা ঈশিং য়াম্না চৎপা, হকচাং য়াম্না চাওখৎপা, হকচাং পূম্নমক চিকপা, নাবা তৌবা, ঈশিং চৎফমদা মরেং-মরেং চৎপা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, চানীং-থক্নীংবা পোক্তবা, বি পি য়াম্না ৱাংবা, মপান থোকপদা ফম্বী য়াওরকপা, ঈশিং চৎপদা মচু মচু নাইবা, মপান তোয়না থোকপা, ঈশিং য়াইফম হৌবা, অহিংদা ঈশিং য়াম্না চৎপা, হকচাং য়াম্না চাওখৎপা, হকচাং পূম্নমক চিকপা, নাবা তৌবা, ঈশিং চৎফমদা মরেং-মরেং চৎপা তৌরম্বা অদু MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720, 8413870027 তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা মহাকপু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

HL-P/5004/11 থাগৎচরিবা : Laimayum Alvina , Kakwa



## ꯌꯥꯝ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯔꯦ/ য়াম নুংঙাইজরে



সুধাকর

ঐগী কিদনিদা নূং লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল, আই টি আই মনাক্তা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী হীদাক হাপ্পা অহুম চাবদা ঐগী নূংদু তাখ্রে। মসিগীদমক ওজা সুধাকরবু য়াম নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

Sd/- Gailapou
Nung-Nang Village

HL-P/5251/11



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

কবিরাজ ওজা অবদুল হক্কী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাংথোঙগী মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, মচুম-তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক অমদি খ্বাং নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী অনাবশিং মপূং ফানা ফজরে অমদি নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

থাগৎচরিবা : Th. Yaima
Uripok Konsam Leikai

HL-P/5090/11



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ Baidyaraj Amarjit Maisnam বু আজমা (Asthma) ফহনবগী থাগৎচরি



Zozam
D/o Julie Vaiphei

ঐগী ইচানুপী Zozam মশাগী চহী অহুমতা ঙাইরিঙৈদগী শাংলবা চহী মঙারোমসি Asthmatic Bronchitis কী Patient ওইরকখি। মহাক মতম চূপ্পদা Inhaler অমসুং allopathy গী লায়েংনা লৈরম্মী। অদুবু মহাক নুমিৎ খুদিংগী শ্বর হোনবা ৱাবা অমসুং লোক খুবগী চৈথেং ফংদুনা লাকখি। মহাক থা অমদা শুপ্পতগী নুমিৎ হুমনি/মরিনিদগী হেন্না মশা নুংঙাইফম খঙলকখিদে। Velore, Hyderabad অমসুং Chandigarh নচিংবা মফমশিংদা খ্বাইদগী অফবা লায়েং পীরবফাওবদা কান্নফম খঙদনা পীক্লিবা ইচাসিনা Asthma গী চৈথেং খাঙনবা হোৎনবদু য়েংবা ঙমখিদে। মমৈথংদদি ইমান্নবা অমগী পাউতাক মতুং ইন্না ঐহাক Baidyaraj Amarjit Maisnam গী (C/o Makhonmani Mongsaba, Uripok Achom Leikai, #: 8794144578, 9401003702) গী মনাক্তা ইচানুপীবু পুদুনা লায়েংখি। য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা থা তরুকমুক লায়েংলবা মতুংদা Inhaler শীজিন্নবা লেপখ্রে। মহাক ঙসিদি মমান্নবী অতৈগুম্না হরাও তয়াম্না শান্নবা ঙম্লে। মহাক্কী হান্নগী লোক খুবা, থবাক খেবনচিংবা লেপখ্রে। ঐখোয় তশেংনমক Baidyaraj Amarjit কী মফদা ইচানুপীবু মতম চানা Asthma গী লায়েং পীবিবগীদমক্তা লমন তোনশিঞ্জরে। লোয়ননা অদোমসু মতিক চারবা Baidyaraj অমনা ফংফম থোকপা ঈশ্বরগী থৌজালশিং ফংবিবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। **Velore দগী হল্লকপা Chronic Patient খক্তা Cancer, Ulcers, Diabetes, Liver Cirrhosis, Piles, Paralysis, Skin Diseases/Psoriasis নাবশিংনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।**

HL-P/5117/7,9,11,13,15 থাগৎচরিবা - Julie Vaiphei Zozam গী মমা



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা মরূ-মরূ হান্নকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না অকনবা ওইনা মরূ-মরূ হান্নকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোরকপা, অমাংথোঙ মপান্দা য়াম্না চিকপা-শাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোরকপা, ফান অমদি চৌক্রিদা ফম্বা ঙমদবা, য়াম্না ৱানা খাঙবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থুরকপা, নাম্থুরকপা শৌজ অদু খূৎনা ইনখৎলবসু য়াদবা, নাম্থুরগা অদুম লৈবা, শৌজ নাম্থবা অদুনা মরম ওইরগা চিকপা নাবা অসুম হেল্লকপা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোম্থুরকপা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্নীংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙ-খূৎ শজিং হৌরগা শিথবগুম ইপং-পংশিনবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5202/11 থাগৎচরিবা : O. Basanta, Heirok



N0.5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI(B-I, 2017-18)/4RT /441

RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 8th November, 2019.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of Governor of Manipur invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 1 (one) package/2 (two) works (roads) under Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-I, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 17-11-2019 to 30-11-2019 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 20-11-2019.
Bid submission end date : 30-11-2019.
Pre-Bid meeting : 20-11-2019 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 02-12-2019 ( -do- ).

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, RED/MSRRDA

HL-B/5795/11,12



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, অমাংথোঙ য়াম্না চিকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা য়াম্না শাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙগী মপান্দা লোইনা থোকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎথোক্লগা লৌথোকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙ মনুংসু খুজিনবা, খোঙ হাম্বদা মতম য়াম্না কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, করিগুম্বা মতমদা খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী চাথৎপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি তৎপা, অমাংথোঙদা চিকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা শাবা অমদি পুঙ্খায়মুক অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোয়না থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎথোক্লগা লৌথোকপা, অমাংবদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা তারবসু অমাংথোঙ মনুংদা নুংঙাইতবা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাউগৎপা, কাময়া অনীমক চিকপা নাবা, কোক লুম্বা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, ডোক্তর য়েংহনবা মতমদা ওপরেসন তৌসি হায়রকপদগী ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5060/11 থাগৎচরিবা : K. Momo Singh, Keishampat



N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/ B-I, 2018-19/3RT /443

RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 8th November, 2019.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of the Governor of Manipur invites Item Rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 26 works [13 roads and 13 bridges] of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Batch-I, 2018-19 in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 17-11-2019 to 30-11-2019 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 20-11-2019.
Bid submission end date : 30-11-2019.
Pre-Bid meeting : 20-11-2019 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 02-12-2019 ( -do- ).

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, RED/MSRRDA

HL-B/5797/11,12



N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI(B-II, 2017-18)/3RT /442

RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 8th November, 2019.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of Governor of Manipur invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 38 (thirty eight) works (19 roads & 19 bridges) under Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-II, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 17-11-2019 to 30-11-2019 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 20-11-2019.
Bid submission end date : 30-11-2019.
Pre-Bid meeting : 20-11-2019 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 02-12-2019 ( -do- ).

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, RED/MSRRDA

HL-B/5796/11,12